# রিলিফ কেম্পশিংগী ফীভম লৈঙাক্লা অথুবদা য়েংশিনবীয়ু : জোইন্ট কম্মিটি রিলিফ কেম্প খুরাই



**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস) :** জোইন্ট কম্মিটি রিলিফ কেম্প, খুরাইনা ঙসি খুরাই সাজোর লৈকায় হায়স্কুলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসি মশাগী ময়ূম ময়ূমদা লৈবা ঙম্ন দবদগী চেন্থোরকখিবা মীয়ামগীদমক য়েংলদুনা তঙাইফদনা হাংদোকপনি। অদুবু রিলিফ কেম্প অসিদা মীয়ামগী মায়কৈদগী কয়াম য়াম্না মতেং পাংবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জোইন্ট কম্মিটি রিলিফ কেম্প, খুরাইগী সেক্রেটরি কোন্সম ভক্তনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসি লৈকায়গী মীয়াম্না মতেং পাংবীবদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শাফরি। কেম্প অসিদা লৈরিবশিংগী মনুংদা অঙাং মচাসু ময়াম য়াওরি অদুগা মশা লূপ্লবী নুপীসু য়াওরি। মখোয়গী মেদিকেলগী ওইবা খুদোংচাবসু লৈত্রি। অহল ওইরবা মীওইশিংসু য়াওবদা নত্তনা দিসএবল্ডশিংসু য়াওরি। লৈকায়গী মীয়াম্না অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংনা চান-থক্লবা মতেং পাংবীরকপশিংনসু য়াবা ওইদ্রি। ঈশিং হায়বসিসু মরু ওইনা চঙলি হায়রদুনা হৌজিক হোরেল তম্বা ঙমদবসু য়াওবনিনা মেদিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা য়াওদবনা হেন্না অৱাবা ওইহল্লে হায়রি।

লাঞ্জেল্লকপা হায়বসি হিংলগা লোইরে হায়দুনা শেৎলিবা অমসুং ইল্লিবা ফিশিং খক্তা নত্তনা অতোপ্পা ফিরোলসু য়াওরকপা নত্তে। মরম অসিনা হৌজিক খুরাইদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবশিংগীদমক লৈঙাক্লা মফম চাবদা অথুবা মতমদা রিলিফ কেম্প অমা হাংদোকপীয়ু। কেম্প অদুদা মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা মচাকশিং য়াওনা মেদিকেলগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু অদুগা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্কী এম এল এশিংসু লৈবাক্কী মপি মপা ওইরিবনিনা হেন্না পূক্নিং চিংশিনবীয়ু। এম এল এশিংনসু মতেং পাংবা য়াওবীরমগনি অদুবু ইন্টরনেটনচিংবা অথিংবা লৈবনা উবা ফংদ্রে হায়খি। অদুম ওইনমক পাংবীরম্লগসু হেন্নসু পাংশিনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা খুরাইগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিং পূনশিন্নদুনা খুরাইগী মফম তরুক্তা রিলিফ কেম্পশিং হাংলি। রিলিফ কেম্পশিং অসি ‘স্প্রেদিং পিছ, লভ এন্দ ক্যের’ হায়বসিগী পান্দমদা হাংজবনি। ইমা চীংজ্রোইবি রিলিফ কেম্পতা মীতৈ ৪৬ লৈরি। মখোয় অসি য়ূম মৈ থাদোকপীখ্রবা ঙাক্তনি হায়রদুনা মখোয়গী মনুংদা নুপা ১৫, নুপী ১৬ অমসুং অঙাং ১২ য়াওনা দিসএবল্ড অমসু য়াওরি হায়খি।

মখোয় অয়াম্বনা শদুয়েংখোমান অমসুং ইকৌদগী লাকপনি। কে এস দল্লিয়ু সী খুরাই থাংজম লৈকায়দা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতনা মীওই ৩৬ লৈরি। মখোয়গী মনুংদা নুপী ১১ অমসুং অঙাং ১৪ য়াওরগা অতৈনা নুপানি। মখোয়না ৱাখোঙ তেরাপুর অমসুং পুখাওদগীনি হায়খি।

খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈরিবা ভিক্তিমশিংনা নুপা ১৮, নুপী ৩৭ অমসুং অঙাং ৩১নি। মখোয় অয়াম্বনা পুখাও, তেরাপুর, উয়ুমপোক, শন্বৈ, য়েংখোমান, ইকৌ, লৈমখোংদগী ওইরগা জিরিবামদগীসু য়াওরি হায়খি।

কংলা শঙ্গোমশঙ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা নুপীশিংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপনা পূনশিল্লগা হাংবনি। মসিদা মীওই ১৬২ লৈরি হায়খি। মীওইশিং অসি ইকৌ, লৈতানপোকপী, য়ূম্নাম পাৎলৌ, চনুং, নোংসুম, লম্লৈখুল, ইথম মোইরাং পুরেল, ৱাংখেম অমসুং লৈমখোংনচিংবদগীনি হায়রি।

য়াইফ লমজিং লূপনা হাংদুনা কংলা টেজপুরদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতনা মীওই ১১১ লৈরি। অদুগা য়ঙ প্রোগ্রেসিব য়ুনিয়ন খুরাই লাইরিকয়েংবম অৱাং লৈকায়দা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতনা মীওই ৮৫ লৈরি। মরম অসিনা খঙন-চান্নবা মীওইশিংগী য়ূমদা লৈখিবশিং থাদনা খুরাইগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মশীং ৫২৬নি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পল্লেলদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌরদুনা থোরক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা হঞ্জিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না ককচীংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর সোমোরজিৎ সলামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পল্লেল পুলিস ষ্টেসনদা দি সী মশা য়াওনা ককচীংগী এস পি, ২১-এ আরগী সী ও অমসুং পল্লেল এরিয়াদা লৈবা ক্লব অমদি সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মোলনোই এরিয়া ৱেলফ্যের কাউন্সিলগী লুচিংবশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরমদা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখিবনি।



# পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা করম্না ঈং তপ্পা অমসুং নুংশি চান্ননা অমুক হন্না লৈমিন্নগনি হায়বগা লোয়ননা মতৌ করম্না অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা পামদবা থৌদোকশিংদগী ঙাকথোকসিগে হায়বগী মতাংদা ককচীং অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগা খূলোন্নরিবা খুলশিংগী লুচিংবশিংগা পূন্না ফমিন্নদুনা খন্ন নৈনখ্রে।

ককচীং লমখাইদা লৈবা খাংসিম ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন নৈনবগী থৌরমদা ককচীংগী সী এস ওশিং, সিনিয়র সিটিজন ফোরম, ককচীংগী মীহুৎশিং, ককচীং লমখাই লাইফম লোক্লুংদা খুন্দারিবা অমদি ইঞ্জোল কোয়রিবশিংগী সোসাইটিগী মীওইশিং, ককচীং লমখাইদা খুন্দারিবা খাংসিম খুলগী লুচিংবশিং, লাইচিং খুনৌ অমদি সোরাগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

ৱাই ভৈগ্যচন্দ্র অমসুং অংসেম তোনতাংগা অনীনা মীফম মপুশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসি করম্না লেপহনসিগে হায়বসি মীয়াম পূন্না অথুবদা খন্নহৌবগী মথৌ তাই, তোকঙা শন্দোকপদা কনা অমত্তনা থাজবীগনু, ঐখোয় অমগা অমগা থাজবা থম্নবীয়ু, মতম কুইনদগী নুংশি চান্ননা লৈমিননবা খোঙথাং লৌমিন্নসি হায়খি।

মসিগীদমক কম্মিটি ফোর পিছ এন্দ হারমোনি কৌবা অদুগা হেদ ক্বার্টরনা ককচীংদা ওইবা কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়ননা মীওই ১৩না শাবা কম্মিটি অমসু শেমখি। কম্মিটি অসিগী কোকনভিনরশিংনা মিলন খলিং অমসুং কে এস ঐচ সত্রধারি ওইনা খনখি। কম্মিটি অসিগী অহানবা খোঙথাং ওইনা তংদু লৈতাবা, নুংশি চান্নবা অমসুং পূন্না হিংমিন্নবগী পাউজেল মীয়ামদা পীবা হায়বনচিংবা ৱারেপশিং অমত্তা ওইনা লৌখি।

# মণিপুরগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা তম্বা মপানগী মহৈরোয়শিং হন্নখিবা লেপত্রি

**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা থোরকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা সোলিদরিটি মার্চ চৎলুরগা হল্লকপা মীয়াম্না খূৎলায় পায়দুনা লাক্লগা কাংভাই, তোরবুং বংলানচিংবা মফমশিংদা লৈবা ফুরুপ অমগী খুলদা দুকান অমদি য়ূম কয়া মৈ থাদোকখিবগা লোয়ননা মীশি মীনানচিংবা থৌদোকশিং য়াওরকপদগী কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা পামদবা থৌদোকশিংনা মীওই কয়া ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নহনবা লেপত্রি।

চৈরকসিদা রিমস, জেনিমস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, এন আই টি অমদি আই আই টিগী হোস্পিটালদা লাকপা য়াওনা ঈরাংশিং অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিং মণিপুর থাদোক্লগা মশাগী মরমদমদা হন্নখিবা য়াওরে হায়রি।

ঙরাংদগী হৌনা মহৈরোয়শিংনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎনবা হৌরকখিবনি। মখোয়গী মনুংদা এন আই টিগী মহৈরোয় ১৪, আই আই টিগী ৮ য়াওনা পূন্না মহৈরোয় ২২ ঙসি নুমিদাংসু মখা তানা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চৎলগনি হায়রি।

মহৈরোয় ২২ অদু সিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীদা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিনধেনা টেলিফোন তৌরক্তুনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না মখোয় ২২বু মহারাষ্ট্রদা হনবদা অঙম্বা মতেং পাংখিবনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট এম তোম্বীগী মায়কৈদগীসু মহৈরোয়শিং অদুগীদমক মখোয়না তম্লিবা ইন্সটিট্যুটশিংদা চৎলগা মরী লৈনবা ৱার্দেনশিংদা হায়নরবা মতুংদা পুরক্লগা বাবুপড়াদা লৈবা সিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা থম্লবা মতুংদা ইম্ফাল থাদোকখিনবা থৌরাং তৌরকপনি হায়রি।

থৌরাং অসিগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিং অসি তেক্তা কায়দনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

থৌরাং অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবদা এম তোম্বীনা মখা তানা হায়, সিংহাটতা মীওই ১৭০ রোম মফমদুদা লৈবা ৪৬শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মোরেগী এ আরগী কেম্পতনা মীওই ২৭০০ অদুগা চুড়াচান্দপুরদনা মীওই লিশীং ৩ রোম লৈরি হায়রি।

লৈরক্লিবা মীওইশিং অসি মশীং য়াম্বগা লোয়ননা নুমিৎ খরনি লৈশিল্লকপদগী মখোয়গী চান-থক্লবা পোৎলমশিং ৱাৎপগা লোয়ননা তঙাইফদনা শীজিন্নবা ঈশিং ফংলক্তবগী অৱাবসু মায়োক্লরে হায়খি।

অদুগা ইম্ফালদা লৈবা অহানবা অমসুং অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী বট্টালিয়নশিং অমদি লম্ফেলদা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্পতসু কাঙলূপ অমগী মীওইশিং লৈরকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশীং ৬ রোম মফমশিং অসিদা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্লক্লি হায়খি।

মখোয়গী মনুংদা খরদি কৈথেলমানবী অমদি মোরেনচিংবদা লৈবা মশা মশাগী ময়ূমদা হন্নখ্রে হায়বগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মতুংদা থোকহন্দনবা হোৎনবীবগা লোয়ননা ঈং তপ্পা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়নসু আপীল তৌরকখি।

# চুড়াচান্দপুরদা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং লৈঙাক্লা পুথোরক্তবসি...

*লামায় ১গী মখা...* লান থোক্তবা মফমদা আর্মি থম্লিবসি ৱাহন্থোক য়াওদে। হান্নদগী লৈরম্বা ফীভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদি তৌদ্রগা ইম্ফালদা আর্মি থম্বা মথৌ তাদে হায়খি।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মিনি সেক্রেটরিএটতা অমদি অসাম রাইফলসকী কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগা পাউ ফাওনবদা মখোয়গী মায়কৈদগী অদুক্কী মতিক অৱাৎপা অমসুং অৱাবা মায়োক্লরে হায়না ফোঙদোরকখি। মরু ওইনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা য়াওনা খোঙ হাম্বদা লেত্রিন অহুমখক্তা মী লিশীং ২/৩না করম্না খোঙ হাম্বা ফংগদৌরিবনো হায়বা ৱাফমসু থোরক্লে।

হৌজিক লৈরিবা অসি অসাম রাইফলসগী কেম্প, মিনি সেক্রেটরিএট অমসুং দি সী ওফিসকী কমপ্লেক্সতনি হায়রি। মফমশিং অসিদা মরু ওইনা চুড়াচান্দপুরগী মীতৈশিংনা লৈরিবনি অদুবু মখোয়গী মরক্তসু লৈফম থোকপা মীশিং শুনা লৈরিব্রা নৎত্রগা শুদব্রা হায়বদুসু খঙবা ঙমদবা ফীভমদা লৈরিবনি হায়রি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টদা হৌজিক ফাওবা থম্লক্লিবা মীওইশিং অসি লৈঙাক্লা পুথোকপা চুমগনি। ঙসি ফাওবদা পুথোক্লবা হায়জরগসু পুথোরক্লগনি হায়রগা পুথোরক্তনা থম্লক্লিবা নুমিৎ মঙানি শুরক্লবনি হায়রি।

য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্রকোন্থৌজম্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা আর্মিশিং অসিসু চীংগী অকোয়বদা ঙাক শেনবনা মরু ওইহনগদনি। ইম্ফালদি ঙাক শেনবগী মথৌ তাদে হায়না খল্লি। মরমদি সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) দা লৈরিবশিংনা ফোঙনা খূৎলায় পায়দুনা চৎলিবশিং অসি য়েংশিনগদবনি। হৌজিক চুড়াচান্দপুরদা লৈরিবা মীতৈশিং অসিগী ময়ূম মকৈশিং লোইনমক উৎ ওনখ্রবনি। মখোয়গী অৱাবদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীফম থোকই হায়বগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা লৈবা হায়বসি কয়াম কুইনা লৈগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলদুনা মসিদা হোংদোক হোংজিন তৌবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌ ওইগদবনি। মরম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা পুথোরক্কদবনি হায়রি।

লোয়ননা মোইরাংদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মীয়াম্না খূৎশিন্নরকপগী মতুংইন্না য়ু সী এমগী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং ফিরোলনচিংবসু য়ু সী এমগী খূথাংদা কোকোমিগী থৌমীশিংনা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# ত্রাইবেল ৩০ হাৎলগা ১৩২ শোকহনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*এপেক্স কোর্টতা মখা তানা ৱাকৎলিবনা চাওরাক্লা চর্চ ৪১ রোম উৎ ওলহনখিবগা লোয়ননা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈনবা য়ামদ্রবদা খুল ৫৮গী লিষ্ট অমসু হাপ্পগা লোয়ননা ত্রাইবেল ৩০ হাৎখ্রে অমসুং মীওই ১৩২ শোকহনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী এফ আই আর কেস লৌখৎপা লৈতবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী ইনভেষ্টিগেসনসু চথদে হায়নসু ফোঙদোকখি। মরম অসিনা মণিপুরদা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা অসামদগী হান্না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরম্বা মীওই অমনা লুচিংবা এস আই টি অমা শেম্নবগী দিরেক্সন পীবিয়ু হায়নসু প্রেয়র তৌরি।

লোয়ননা হৌজিক সী আর পি এফকী কেম্প তরুক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ত্রাইবেল মীয়াম্না মায়োক্লরিবা ফীভমশিংসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়শিং অসিবু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা য়ূমশিংদা হলহন্নবগী দিরেক্সন পীবিনবসু হায়জখি।

অমরোমদা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মার্চ ২৭, ২০২৩দা পীখিবা ওর্দর অমনা মীতৈ/মৈতৈদা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ষ্টেটস পীনবগী ৱাফম খঙহনখিবা অদুনা মণিপুরদা ফুরুপ অনীগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লকপনি হায়বগী চার্জ তৌরদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈনসু তোঙানবা পিটিসন অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

লোয়ননা মণিপুর ত্রাইবেল ফোরম অমসুং হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈনা ফাইল তৌবা পিটিসন অনীমক হয়েং এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা লৌখৎতুনা খন্নরগনি হায়রি।

বেঞ্চ অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা জজশিংনা জষ্টিস পি এস নরসিংহ অমসুং জষ্টিস জে বি পার্দিৱালানি হায়রি। হয়েং এপেক্স কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পিটিসন অনীসিগী মরাইবক খঙবা ঙম্লবা য়াই।

# লৈমখোং মপালদা মীওই অমা ...

*লামায় ১গী মখা...*অনীনা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরদুনা মীওইশিং অদুগী মখূৎতগী নান্থোক্তুনা চেনখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওই অসিনা মফম অদুদা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক্কী ঙক, থবাক অমসুং কোক্লচিংবা মফমশিংদা শোকপগী মফমশিং লৈরমখি হায়রি। মহাক্কী হকচাং থারগা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা জেনিমসতা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা পুরক্তুনা থম্লখিবা অপূনবা হকচাং মশীং ১৫ শুরে হায়রি।

অদুগা ঙসি নুমিদাং ফাওবদা রিমসকী মোর্চ্যুরিদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী পুলিসনা পুরক্তুনা থম্লখিবা অপূনবা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ২৭ শুরে হায়রি।

# পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং...

*লামায় ১গী মখা...* চথখ্রে হায়রি।

লৈমতাক্তা লৈরম্বা মীওইশিং মফম চানা থংদোকখিবদা নত্তনা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়জবদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরকখিবা মীওইশিংসু আর্মিনা মিজোরাম ফাওদুনা থংদোকখিবগা লোয়ননা সিলচরদা থুংখ্রে হায়রি। অদুগা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লাইরৌ চীং অমসুং কাংপোকপীদা পন্দুনা লৈরকখিবশিংসু আর্মিগী মতেংগা লোয়ননা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী য়ূমশিংদা থুংনখ্রে হায়রি। থা অসিগী ৫দসু কাংপোকপী, মোটবুং, সপরমৈনা অমসুং কৈথেলমানবীদগী মীওইশিং তেক্তা কায়দনা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখি হায়বগা লোয়ননা অহানবা অমসুং অনীশুবা এম আরগী বট্টালিয়নশিংদা লৈরকখিবা মীওইশিংসু কাংপোকপী, চান্দেল অমসুং চুড়াচান্দপুরদা লৈবা য়ূমশিংদা থুংনখ্রে হায়রি।

# চুড়াচান্দপুরদা রেপিদ এক্সন

*লামায় ১গী মখা...*অমসু নোংমৈ পায়বা মীওই খরনা মৈ থাদোক্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রবনি হায়রি। থৌদোক অসিদসু য়েন য়াম্না শিখিবগা লোয়ননা ফার্ম অসি দ্রুব কৌবা মীওই অমগীনি হায়রি।

অমরোমদা, কৌত্রুক লোমদগী ইম্ফাল তম্না ঈশিং পুরক্লবগীদমক তিংলিবা পাইপ অমসু চীংগী মীওইশিংনি চিংনবশিংনা ককথৎলল্লে হায়রি।

মরম অসিনা মীয়াম্না ঈশিং চানরিবা পাইপ অসি ফাওবা ককথৎতুনা মাঙহল্লম্বগী থৌওং অসি মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা অমসুং মীগী ৱাখল চেন্দবা মীওইশিংগী থৌওং ওইগনি হায়রি।

# ‘সু’গী লালহৌবশিং য়াওশিল্লকপদগী...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোরক্লিবা কোকোমিগী টিমশিংনা জিটেন্দ্র নিঙোম্বা (কোওর্দিনেটর-৭০০৫৪০৮৩৪১), মেদিকেল টিমগী ইন চার্জ য়েংকোকপম ধিরেন (৯৮৬২৪১১৮০০), এন গোবিন (৭০৮৫৭৮৩৯৪৮), এন জি ইবোয়াইমা (৭০৮৫৯৯১২৯৪), পি ঐচ শ্যামচান্দ (৮১১৮৯৪০৮৭১), দল্লিয়ু বিরচন্দ্র (৯৬১২৭০৯৬০০), নিঙোম্বম জিবন (৭৪২২৯৮৫৯৩৬), ৱাহেংবম দিলিপ (৮৯৭৪৯৯৬৪৭৩), মীদিয়া টিম ইন চার্জ সোমোরেন্দ্রো থোকচোম (৯৩৬৬০৬৬৭৪৬), কে ঐচ অথৌবা (৯৩৭৮১৫৩৭৪২), এম ধনঞ্জয় (৯৮৬২৫৬৫২৩৮), এন রূপচন্দ্র (৮৪১৪০৭৯০৮২), ৱাহেংবম সুনিল (৭০০৫৯০৯৪৮৯), অহৈবম আনন্দ (৯৬১২৩১৮৪৪৫), খোমদ্রাম রতন (৯৮৬৩০৪৩৯৩৬), রিলিফ টিম ইন চার্জ জয়চন্দ্র কোন্থৌজম (৮৭৯৮৩২৭১৭২), সমানন্দ (৮৪১৪৮৬৯২৪৯), থিয়াম সরতচন্দ্র (৯৮৬২২৮৫৬৮৩), লমাবম গোপেশ্বর (৭০০৫৬২৯২৯), ওইনাম প্রেমজিৎ (৬০০৯২৬২৮৭৯), ৱাই সুরজ কুমার (৯৮৫৬৪২৪৭২৪), সৌবাম রাজেন (৮৪১৩৯৭৪৪৩৫), টি দিলিপ (৭০০৫৮১৭১৫২০) অমসুং রেস্ক্যু টিম ইন চার্জ লোংজম রতনকুমার (৮৪১৪৮৬৯২৪৯), এল জয়েন্ত (৯৩৬৬৮১৩৪০৬), এন অঙৌতোন (৯৮৬৩১৩৩৭৫১), দল্লিয়ু সেকেন্দ (৯৮৬৩৭৩৮৭৪১), কে এস ঐচ রোমেস (৭০৮৫১৮৪৯১৪), কে কিরনকুমার (৭০০৫২৮১০২৭), মুতুম চুরামনি (৮৭৯৪৯১৪৩৮২), এল লোকেন্দ্রো (৯৩৬২২৭৬৮৯২) অমসুং এল জদু (৭০৮৫৫৪৭১১৭) নি হায়রি।

# লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট মৈনা তুম্না...

*লামায় ১গী মখা...* দাইনা অমসুং লকি কৌবা ভোলুন্টিয়রশিংসু মতেং পাংদুনা অয়ূক অঙনবা মতমদগী চীংদা কারকখি। চীংদোলদা লৈবা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী উমংগী শরুক খরা পুন্সিলোককী মপা য়ৌনা চাক্লক্কদবদগী কনবা ঙমখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কল্লিবা পুন্সিলোককী উয়োকশিংগা থংনবদা সঙাই য়োকফম ওইরিবা সঙাইগী সেকেন্দ হোমসু লৈরিবনি। উমং মৈ চাকপগী থৌদোক অসি য়ূমদগী নাইতোম থোকপদা মীপাইনরিঙৈগী চৈরক্তা অমসুং কাঙলূপকী ঈরাং কল্লিঙৈ মতম ওইবনা কনাসু লৈতবদগী লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী চীংশাং পরেংদা থোকখিবনি হায়রি।

ভোলুন্টিয়রশিংগী য়ূমদা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মৈ অসি মূথৎনবা হোৎনরুবদা মীপাইবগী ৱারী কয়াসু তাখি হায়রি।

অদুম ওইনমক য়ূমদা লিন চঙখ্রে হায়দুনা য়ূম মৈ থাগদবা নত্তে, য়ূম্ফম য়াওদবা তোকঙা অমনা উমং য়োকপগী খুদম ওইরক্লিবা পুন্সিলোক উমং মৈ থাদোক্কে হোৎনরম্বা অসিমকসু অচুম্বা ওইগদ্রা হায়না দল্লিয়ু এ ঐচ পি এসকী ফাউন্দর মোইরাংথেম লোয়ানা হংলক্লি।

মহৌশাগী শক্তম্থু কা হেনবা মীওইবগী থৌওংনা কায়থহল্লকপদগী ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। অঙৈং অশাগী চাংদা অহোংবা লাক্লিবনি। ইম্ফাল সিটিদগী খ্বাইদগী নক্লা লৈরিবা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট কনবা ঙমদনা কৌব্রু অমসুং থাংজিংনচিংবা চীংশাংশিং করম্না কনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# নোংপোক হৈরোক, তখেল ১সুং নোংদমদগী...

*লামায় ১গী মখা...* হৌরগা ঙসি ফাওবদা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা চঙজফম লৌররিবা মীওইশিং অসিগী লৈফম-চাফম য়াওনা অনা অয়েক য়াওরকপদসু কেম্প অসিগা ফুট ২০০ রোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা লম্লাইগী পব্লিক হেল্থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়েংবগী থবক চথরক্লি। অদুগা মফম অসিদা ফংদবা হীদাক লাংথকশিংনা ইম্ফালদগী লৈরগা পীজ-পীথক তৌরি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চঙজফম লৌররিবা মীওইশিং অসিগীদমক পোৎ নৎত্রগা শেলগী ওইবা মখল অমত্তগী মতেংশিং ফংবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক মহাক মশাগী ইমুং মনুং, মরী-মতা য়াওনা লম্লাই ময়ায় লৈকায়গী মীওই খরনা অঙম্বা মতেং পাংনরকপদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরবা মীওইশিং অসিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়রি।

লোয়ননা কনাগুম্বা থৱায়গীদমক লাঞ্জেন্নদুনা লৈবা মীওইশিং য়াওরগসু কেম্প অসিদা লাকপীদুনা পূন্না লৈমিন্ননবা আপীল তৌরক্লি। মসিগীদমক মথৌ তাবা মীওইশিংনা মহাক মশাগী টেলিফোন নম্বর-৮৭৯৪৭৩২৯৪৬, লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম সোমেন্দো টেলিফোন নম্বর - ৭০০৫০৪৩৩১৬ নৎত্রগনা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম ইঙোগী টেলিফোন নম্বর ৮১১৯০৪৭৪৯৫দা কন্টেক্ট তৌবীরক্তুনা রিলিফ কেম্প অসিদা তেক্তা কায়দনা লৈবগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়নসু থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী খুদোংথীবা মায়োক্লরবশিংদা আপীল তৌরক্লি।

# ৱাংজিংদা রিলিফ কেম্প হাংলে, মোরেদগী লাঞ্জেল্লকপা মীওই ৭ চঙজফম লৌররে

**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩গী নুমিদাংদা মোরে টাউনদা লৈবা ফুরুপ অমগী য়ূম অমসুং দুকান্নচিংবা য়াওনা পাক্তক্লনা মৈ থাদোকপগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা লৈফম লৈতবগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরকখিবা মীওই তরেৎ ৱাংজিংদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পতা থুংলদুনা মসিবু চলাইরিবা পাইওনিয়র ক্লবকী মায়কৈদগী চঙজফম পীরে হায়রি।

রিলিফ কেম্প অসি ৱাংজিং হোদাম্বা মনীং লৈকায়দা হাংদোকপনি। মসিদা হৌজিক থোক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী লেকফম চাফম পীনবগী থৌরাং তৌরে হায়রি।

লোয়ননা রিলিফ কেম্প অসিদা কনাগুম্বশিংনা শেল অমসুং পোৎকী তেংবাঙ পীবীনীংবা লৈরগসু রিলিফ কেম্প অসিবু চলাইরিবা পাইওনিয়র ক্লব অসিগী সেক্রেটরি নাওরেম ইবোয়াইমা (৮৪১৫৯৪৩১২৬) তা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি হায়রি।

# কর্ফিয়ু কোমথোক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা অৱাবা মায়োক্লরবশিংগীদমক ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিএটতা কম্মন হেল্প লাইন দেস্ক অমা হাংদোক্লে হায়রি।

কম্মন হেল্প লাইন দেস্ক অসিগী কন্টেক্ট নম্বরশিংনা ৭০০৫৭০৬৫৭৬, ৯৮৬২০৬৪০২০, ৭০০৫৪৭৫৩৭৪, ৭০০৫২৫৭৭৬০, ৯৮৫৬৫৭৫৩১৭, ৮৭৯৪৪৭৫৪০৬, ৮৭৩০৯৩১৪১৪ অমসুং ৯৪৩৬০৩৪০৭৭নি হায়রি।

লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংনা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লম্নাই মীওই অমসুং ইমুংশিংগী মীওইশিংদা লৈফম চাফম পীনবগীদমক রিলিফ কেম্পশিংসু হাংদোক্লে হায়রি। লোয়ননা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লবা মীওইশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফবা মওংদা মখোয়গীদমক থবকশিং লৌখৎনদবা হোৎনরি হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা উংখৎনবা ফীভম অসি চ্যেক তৌদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অচেৎপা খোঙফমগা লোয়ননা হোৎনরি হায়রদুনা মীয়াম্না সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম নৎত্রগা মোবাইল ফোনগী মেসেজশিংগী খূথাংদা শেমজিন শাজিনবা অমসুং অরানবা ৱাফমশিং শন্দোকপীগনু হায়রি।

# মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌগৎনীংঙাইনি হায়রি।

দ্যুটি তৌরিবা হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা চান-থক্লবগী শেল থুম খুদিংমক বট্টালিয়ন কম্মান্দর অমসুং মহাক্কী কম্মান্দরশিংনা থৌদাং লৌদুনা মনা-মনিল নাইহন্দনা শিল্লিবা অসিসু থাগৎনীংঙাইনি হায়রি।

অসিগুম্বা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা লৈরিবা বট্টালিয়ন ইন চার্জশিংনসু তোঙান তোঙানবা কম্মান্দরশিংনা মীকুপ নাহুম-শিংনা লৈবীদুনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী পুলিসকী এস পিশিংনা পীরকপা পাউতাক অমসুং য়াথংবু মতম চানা অমদি নীংথিনা দ্যুটি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈবীনবা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনসু আপীল তৌরি হায়রি।

অসুম্না হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা মথৌ পাঙথোক্লবদি লৈঙাক অসিনা লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা, ঈংনা-চিক্লা লৈনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবা অসিদা হোম গার্দ পর্সনেলশিংনসু চপ চাবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা আপীল তৌরক্লি।

## ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/WALLET LOST

I have lost my Wallet (Brown colour) along with my family (2) ATM cards and my ID card, PAN, Aadhar and Driving Licence on 04/05/23 at 02 pm in between Kwakeithel Bazar (BAO-Pharmacy) and my residence. If any one found kindly contact me. My Mobile No. is 9774468804.

**Sd/- S. Ananda Meitei**
HL-P/6566/8 **Kwakeithel Moirang Purel, I/W-Manipur.**

## পাউজেঞ্জবা

ঈরৈমা ইবেন্থৌ ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইবু কোনবীরিবী লাইশ্রম লাইরেন্বীগী কুমশি চহীগী ওইনা হরাউ শকশেন লাক্লিবা তাং ১১/৫/২০২৩ ইং, শগোলশেন, কালেনগী ২১ নি পানবদগী হৌজগনি হায়না তৌজরম্বদু হৌজিক্কী ওইরিবা লৈবাক্কী নুংঙাইতবা ফিভম অসি য়েংজরগা কুমশি চহীগীদি হরাউ শকশেন তমজররোই হায়না ইরৈকাই অমদি খুল্লোন কৈরোইনবদা লৈবীরিবশিং অমদি অরাপ্পদা লৈবীরিবা শাগৈচাশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

নীংশিংজরিবা :
**ঈরৈমা ইবেন্থৌ হরাউবা কমিটি**
**ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাই**
HL-P/6567/8 **# 9774154121**